ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯸, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মার্চ ০৮, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৩৩৬শুবা মশীং

লান মনুংনি ৱাকৎলক্কনু হায়ব্রা
মীয়ামদি লু কোকপদা লেন তারে

হৌজিক লান মনুংনি হায়বসি মীয়াম্না লোইনা খঙই। খঙদবা য়াওদ্রে, লৈত্রে। অদুবু লান মনুংসিদা থোরক্তুনা মায়োক্নরক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিংসিগী মতাংদসু মণিপুরগী মীয়াম লান মনুংনি হায়দুনা নাকোং মেনশিল্লগা, মিৎ পুনশিল্লগা, চিন ফোৎচিন্দুনা নূঙদা হকপা শক্তমগুম অদুম্মক লৈয়ু হায়ব্রা? ৱাহংসিগী পাউখুম শ্বর শৎতোকখ্রবা মীদৌনা হিংলক্লিবা মীয়াম্না ওনশিঞ্জদুনা খুমজগদবা নত্তে। য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা ফান-য়াই পুন-য়াইনা পুনশিল্লগা থম্মায়বীদুনা থম্বীরক্লিবা ষ্টেট লৈঙাক্না খুমগদবনি। ৱাহংসিগী পাউখুম ফাওবা খুম্বা ঙমজদবগী ফীভমদা লৈরম্লগনা চোংথদুনা লিৎশিনখিবা য়াবা লৈক্রক অচৌবা থিরগদবনি। মরমদি থা ১১ চঙশিল্লক্লবা লানসিগী মনুংদা চীং অমসুং তমগী মীওই পূন্নমক্না মায়োক্নরক্লিবা অৱাবা, খুদোংথীবা থৌদোকশিংসি ওন্থোক্না য়ামখ্রে। লান হৌরক্তিঙৈগী মমাঙদগী মশাগী সর্ভিসকী মতম লোইরদুনা থবক্তগী পোত্থারবশিং য়াওনা লান মনুংদা রিটাইয়র্দ তৌখিবা পেন্সনরশিংগী রিটাইয়রমেন্ট বেনিফিটশিং ফংবা ঙমদ্রে। চহী কয়া সর্ভিস তৌদুনা তুংশিঞ্জরকপা মশাগী হুমাংমলশিং পুল্লপ ফংজরগা মচা-মশু, ময়ূম-মকৈ পানশিনবীগে, মশাগী অনা-অয়েকশিং কোকথোক চামথোক্লবা লায়েংজগে খঞ্জরকপশিং থবক্তা ওন্থোকচবা ঙমদ্রে। পূন্সি কোন্নবা লায়নাগা শাগোন্নরকপা পেন্সনরশিংদি মমং মখূৎনা লাম্বা ফংহনবীদুনা অশিলমদম পাংনখিবা য়াওরে। ময়ূম-মকৈ শাবা অমসুং শেমজিন-শাজিনবা ফাওবা ঙমজদ্রে। ৱাথোকসিনা মপাঙ্গল-মরৌশিং তেংদুনা শীজিন্নবীরগা মরূ-ময়াং কুল্লবা মতুংদা সর্ভিস মতম লোইরে হায়দুনা থাদোকপীরক্লবা পেন্সনরশিংগী ৱানি। হৌজিক সর্ভিসতা লৈদুনা এমপ্লোয়ী ওইরিবশিংগীনা ফংফম থোকপা থাগী খূৎশুমল ফংফম থোকপা মতমদা চাং নাইনা ফংবা ঙমদ্রে। লৈঙাক্কী থবক তৌরি, তোলোপ চারি হায়বদু মঙাইরে। ফংজগদবা অৱামলদগী মশাগী, ময়ূমগী নুপী অঙাংশিংগী অমসুং মচা-মশুশিংগী শেল চঙবা থবক অমত্তা মতম চানা পাঙথোকচবা ঙমদ্রে। থবক-থৌরম পূন্নমক 'শিরগা ফোলা পীজগে' হায়বদুগী ফীভমদতা পাঙথোক্নরে।

পূন্নমকসিগী মথক্তা নোংমদা পুং ২৪ মথৌ তৌদুনা কুকি মিলিটেন্টশিংগা মায়োক্নবা লানফম কয়াদা লান্থেংনরিবা ষ্টেট ফোর্সকী পর্সনেল পূন্নমক্কী ১৩শুবা থাগী তোলোপ (থর্টিন মন্থ'স পে) হৌজিক মার্চ থা চঙশিল্লক্লবা ফাওবা পীদ্রে হায়বগীসু য়াওনা মার্চ ৪, ২০২৪গী এসেমব্লিগী মীফমদা ওপোজিসন এম এল এ খরগী মায়কৈদগী হাউসতা পুখৎলকপা লৈখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভমশিংসিগী মরম চথ্খরক্লিবা লান অসিননি হায়দুনা পকশিল্লগা পাউখুম পীরকখ্রে। অদুবু মায়োক্নরিবা নাতে চাদবা ফীভমশিংসিদি শুপ্নতগী পেন্সনর অমসুং এমপ্লোয়ীশিং খক্তগী ওইবা ৱাফমনি। লৈঙাক্কী থবক তৌহৌদবা নোংমগী অফং-অফংবা শূরগা হিংলিবা মীওই কয়াগী পূন্সিগী মতাংদদি কমদৌবা? পূন্নমক অমমমতা ওইনা কোৎথোক্লদ্রবসু অসিগুম্বা মীওইশিং অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তঙাইফদনা ফংহনফম থোক্লিবা 'বেসিক নীদস' শিং ফংহনবা ঙম্লব্রা? ৱাহংসি হংই হায়দুনা অহেনবা পীয়ু অমসুং ফংহল্লু হায়বা নত্তে। লান মমাঙদা ফাওবা ফংহনবা ঙমখিদ্রবশিংদুগী লান মনুংসিদা ফংহল্লু হায়বসু নত্তে। লৈবাকসিগী সিটিজেন অমা ওইবগী ফংফম থোকপশিংদুদি ফংহল্লু হায়বনি। অদুবু তঙাইফদনা চৎনরিবা লম্বীগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী শেম্বীয়ু হায়জরুবদা 'লান মনুংদবু কয়াম ফবা লম্বীদা চৎনীংবনো, সনাগী লম্বী শেম্মুরা' হায়না হংলকই হায়বদুগী ফীভমদা মীয়ামগী ফংফম থোকপশিং ফংহন্দ্রগা লানদা লোইনা তাইশিন্নবদি চুল্লোই। মীয়াম্নসু তুং কোইনা থাজরক্লোই। মখা তানা হায়জিন-তমশিনগদবা অতোপ্পা ৱাহৈশিংসু লৈরক্লোই। লানসি থোক্লমদ্রবদি করিদা অমসুং কনাদা তাইশিল্লমগনি ? লানসিনা ফীভম খুদিংমক অপাৎপদগী অপুম্বা ওইহল্লক্লে হায়রগনা লানসিনা থা ১১ চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা খামদুনা লেপহন্নবা হোৎনদ্রিবনা করিগীনো? ঙমদ্রগনা অঙম্বা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী থৌপুবশিংদা হায়বা য়াদব্রা? অমা হায়রে ঙমদবা, অমা হায়রে তৌ য়াদবা অদুগা শকফমগা হঞ্জিল্লগা থবাক খুত্তুম শুরগা চিনফেন ফবদুনদি লানসিদা করিসু কান্নদ্রে হায়বনি। লৈবাক ঙাকপসি এক্টিং নত্তে।

[illegible]
[illegible]

[illegible]

খৎনবগী মহুত্তা খন্নহন্নীংই, পোল্লাউবীদগী বোম ওইরকহন্নীংদে

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

ইরমদম কংলৈপাকসিগী কংলৈচা ওইরিবা ঐখোয় মশেলসি মহৌশানা লীংজেল মান্নমিন্নসি হায়রবদি শাগৎপদা খরা ৱানা হেক্তা থোকই। থৌদৌসি মহৌশানা কংলৈচা ঐখোয়গী লূ-তোংদা পক্তুনা লৈখ্রবা অমগুম্মী। অদুম ওইনমক, কংলৈচা ঐখোয়গীসু ঈশিংনা শাবগী চাং দিগ্রী সেলসিয়স চাম্মা হেক য়ৌরকপদা ব্রোং-ব্রোং লাউনা শৌবগুম অমুক হৌনরুবা তৌদনা ইতোম-ইতোমতা থোক্নরক্তুনা লাকঙম-ফাঙমদ্রবা, অপূনবগী লীংজেল উৎপগী তাঞ্জা অমদি লৈ। অদুগুম্বা তাঞ্জাশিংদু মমাঙদা, এন এস সী এন (আই-এম) গী পিছ টোককী মতাং অমদি আই এল পি তান্নবগী থৌদৌশিংদা ঐখোয়না য়াম্না ময়েক শেংনা উৎখ্রে। এন এস সী এন (আই-এম) গী মতাংদদি ঙসিসু চহী খুদিংগী ওইনা 'জুন তরানিপান' হায়দুনা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লি। হৌজিক হৌজিক্কী ফোঙ-ফোঙ শারিবা হায়রগনা মণিপুরদা লমদন্দুনা লৈরম্বা ফোরেন্নর, কুকি জৌ কাঙবুশিংনা লমদমসি মখোয়গী ওইরবোই নীংদুনা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন তাল্লকপদগী অচৌবা লাঞ্জাও অমা মীতৈশিংনা মায়োক্নরিবসিনি। অসুম্না মতাং চানা কংলৈচাশিংনা অমুক-অমুক লীংজেল মান্নবা কন্থি ফূদোল্লকপসিদা কংলৈচাশিংগী মমাঙদা ঙসি ফাওদা কনাসু লেপ্পা ঙমদ্রি। হন্দকসুনি অমেরিকা, জপান, চাইনানচিংবনা শাবা সোফিষ্টিকেটেদ ওইরবা লানগী খূৎশু-খূৎলায়শিং পায়বা কুকিশিংগা শুপ্নগী খূৎশু-খূৎলায় কোইথি-কোইথি থিরগা পায়বা কংলৈচা ঐখোয়গা ঙমদ্রিবা ফাওবা লান থেংনরিবসিনি। অসুম্না লান্থেংনরিঙৈ চৈরকসিদা হন্দক কংলৈচা ঐখোয় মশেলগী মরক্তসু থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং খরা খরা থোক্নবগী পাউ তানরি। থৌদৌশিংসিমক্তি থোকহনবদা চুল্লোইদবা থৌদৌশিংনি। থৌদৌশিংসি থোক্লবদি মীনা ঐখোয়বু উশিৎলোই অমসুং অশিংবনিসু হায়বীরোই।

মতম পূন্নমক্তা মীওইবনা খৎনবা, নীংঙাই-শংদান্নবা অমদি মূক্নবগী থৌদৌশিং থোক্লিবসি শুপ্নগী তঙাইফদ্রবা, লেংবা য়াদ্রবা খোঙফম খক্তদা থোক্নবনি। য়ারিবমখৈ খৎনবগী মহুত্তা খন্নবনা মহুৎ শিনবনা মালেম পূম্বসিগী ওইনা অফবা থৌদৌ ওইনরিবনি। অমা-অমগী ৱা নত্তনা খৎনবা, শাউনবা, মূক্নবা থৌদৌশিংসিগী মহুত্তা খন্নরগা ৱাথোক খুদিংমক লোইশিনবা য়াই। থৌদৌসি হৌজিক্তি মালেমসিগীমীপূম খুদিংনসু খঙনরবনি। মসিনি হৌজিক্কী মতমসিগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা মাগী মাগী মরমদমগী মীয়ামদা ঙাক্তুনা চৎপা ঙম্নবা খঙহন্নরিবা। থৌদৌসিদগী হেন্না ফবা থৌদৌবু কদাইদা অমুক লৈরমখিদগে? ৱাখল তানদবদগী তাইবঙ মীওইবনা অমগা-অমগা ৱারৌনবনি। ৱারৌনবদগী শাউনবা পোল্লকপনি অমসুং শাউনরকপদগী খূৎ থোক্নরকপনি। খূৎ থোক্নবা হায়বসিনি ঐখোয়না খৎনবা কৌনরিবসি। লৈবাক অমগা লৈবাক অমগগী মরক্তা নৎত্রগা ফূরুপ অমগা ফূরুপ অমগগী মরক্তা থোকপা খৎনবগী থৌদৌশিংবুনি ঐখোয়না লান হায়না খঙনরিবসি। অসুম্না কংলৈচা (মৈতৈ) ঐখোয়সু কুকি ফূরুপকা অসুক কন্না লান থেংনরিঙৈ চৈরকসিদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমগা-অমগা নীংঙাই শংদান্নবসু য়াওরক্লি, মূক্নবসু থোক্লক্লি। ঐখোয় মশেল অমগা অমগা মত মান্নদবা অমদি নীংঙাই শংদান্নবগী পাউ তাখিবদা য়েক্নবা কুকিশিংনা ঐখোয়বু অসুক্কী মতিক চাওখত্তনা অমসুং হন্থবা থাক্তা হিংবা ফূরুপ ওইনা লৌখিনি অমদি কল্লকসু পেন্নখিনি। ৱাফমসিগী মরমদদি পঙশাং শাংনা মখা তানীংদ্রে। নৈনজগে খল্লিবা হীরমসি ঙসিগী ওইনদি 'খৎনবগী মহুত্তা খন্নমিন্নবনা ফগনি অমসুং করিগুম্বা মতমদসু মশেল খৎনবা হায়বসিনা লমদমসিদা পোল্লাউবীগুম্না মখোল হৌরমদবদগী বোমগুম্না খোঞ্জেল হৌরকপা খক ওইহল্লোইসি' হায়বা হীরমসিদনি। ঐখোয়গী ইরৈবাক-ইরমদম কংলৈপাকসি পীক্নবসু পীক্না মগুণ অসুক্কী মতিক লৈহনবা পাম্মী অমসুং মতম চূপ্পদা অতোপ্পশিংনা ঐখোয়গী অমদি ইরমদমসিগী মতৌ খক্তবু তমহন্নীংই।

ইরমদম কংলৈপাকসিদা লৈমিন্নরিবা কংলৈচা ঐখোয় পূন্নমকসি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমগা অমগা নুংশিনবা অমদি অমনা অমদা কো-ওপরেসন পীনবগী মথৌ তাই। তৌইগুম্বসুং হৌজিক-হৌজিকমক্কী ওইনদি ইরমদমসিদা ওইরিবসি মতমসিগী খোঙচৎকী মতুং ইল্লিবরা নৎত্রগা চাওখৎলকপগী মতুংইন্ননি হায়রিব্রা, অমগা অমগা কো-ওপরেসন পীনবগী থবকসি ইৱাৎতা ৱাৎনবগুম অদুম্মক উরি। তৌবদি কো-ওপরেসন পীনবা হায়বসিদা মায়কৈ অনীমক্কী ওইনা থোং মান্নমিন্নবা অমদি চঙই। অনীগী মনুংদা অমনা অন্দরষ্টেন্দিং খজিক্তং ৱাৎলকপদা কো-ওপরেসন পীনবগী থৌদৌদি অদুম হেক্তা হন্থরক্কনি। ইপা-ইপু পারোল-পুরোল হাক্তক্তগী হৌনা ঐখোয় মশেলসি অমগা অমগা তুং কোইনা পূনমিন্নবা হোৎনবা হায়বসি অয়াম্বা মতমদা মায় পাক্তদুনতা লাক্লিবনি। ঙসিসু ফীভমদু খরদং হোংদোকসি হায়বসি ঙমদদুনতা লৈরি। ঙসি-ঙসিমক ইরমদমসিদা লৈরিবা ওর্গনাইজেসন ময়ামসি ফীভমসিমক্লা মশীং য়ামখৎহনখিবনি হায়বা য়াই। অনী থোকপগী থৌদৌসি অমনা অমবু থাজবা ঙম্নরক্তবা অমদি ঐ হায়বসিতনা মহেল্লে হায়বা ৱাখল্লোনসিনা মাঙ থানরকপদগী থোক্লকপনি। চৎনবীসি ৱাংখৎলকপদগীনি ঐখোয়না ইরমদমসিদা অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা উৎনবগী থৌদৌশিং মাঙনরক্লিবসি। তশেংনা হায়রবদা লমদমসিদা মতম লৈবা খিবিক্তা লুচিংবা য়োকখৎনীংবগী ৱাখল্লোন্দগী লুচিংবা শানীংবগী ৱাখল্লোন্না চাং অসুক্কী মতিক হেন্না ৱাংই। ৱাফমসি মহৌশানা কংলৈচা ঐখোয়গী ঈদা য়াওরক্লবগা চপ মান্নে। থৌদৌসি ঙসিসু ঐখোয় হোংদোকপা শুকঙম ঙম্নদ্রি। তরাগী চৈশুনা লেংথোং ফাহনবগী থবক্তি লমদমসিদা থোইনা লুনা লৌনবা উদে, তৌইগুম্বসুং হয়িংখোইগুম্না মচেৎ খাইদোক্নবগী চৎনবীসিদি অসুক্কী মতিক ইরমদমসিদা হোঙনা থোকই। ঐখোয়-ঐখোয়গী ফীভম খজিক্তং লুনা অমুক্তং খন্থদুনা য়েংমিন্নসি।

মতম অমদা অঙাং ওইরিঙৈদা ঐখোয় পোল্লাউবী কাপ্পুনা শান্নরম্মী। কৃষ্ণ জন্মদা নাকপাক-নাকপাক খাইদোক্নদুনা তোই গন কাপ্নবসু চৎনরম্মী। ঙসিনা ঐখোয় ওরিজিনেল লান ওইনা কুকিশিংগা অরৈ-অরৈবা, অশেংবা নোংমৈ পুথোক্তুনা কাপ্নরে। মতমসিদা ঐখোয় মশেল লিংজেল মান্নদবগী থৌদৌশিং মীমাঙদা উথোকফম থোক্তে। কুকিশিংনা হৌরকপা লানসিদা অশেংবা নোংমৈনা পান্দুনা মশীং খঙদনা শোক্নরবনি অমসুং শিনখ্রবনি। ফীভমসিদবু ঐখোয় মশেলগী মনুংদা অমগা অমগা নীংঙাই শংদান্নদুনা ঙক হাইগৎনদুনা মূক্নবগী মতম ওইরিব্রা? অহিং-নুংথিল অনীমক্তা শুপ্নগী লানগী ৱাখল খক্তা খনবদা ইরমদমসিগী মীচম-মীয়াম পূম্বা তূম্নদ্রবা মতমসিদা পূক্নিংদা ফাওরকপা অশাওবা খুদিংমক ইনীং তম্না ফোঙদোক্নদুনা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা ৱারৌনদুনা লৈরবদি ঐখোয়গী ইরৈবাক ইরমদমসি কনানা কনবীগদৌরি? ঐখোয়গী ইরমদমসিবু উশিৎ-থৌওইদদুনা লমহেনবা কুকিশিংনা মখৌনাউদা য়োৎশিন্নবা হোৎনরক্লবা মতমসিদা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা ৱারৌবা ফোঙদোক্নদুনা লৈথোকপগী মতম ওইদ্রে। ৱারৌনবসু থাদোকসি, নীংঙাই শংদান্নবসু কাউথোকসি। ঐখোয় মশেল কোন্না চাম্মরক ৱাখল তামিন্নবসু য়াই নৎত্রগা ঙাকথোক-ঙাকশিন তৌনবসু য়াই। হৌজিক-হৌজিকমক ঐখোয়গী মাঙদা তারিবসিদি কুকিশিংনা মীতৈশিংগী মথক্তা হৌরক্লিবা অচৌবা লাঞ্জাওসিনি। ঐখোয় লানসিনা হেন্না লূম্না লৌফম থোকপ্রা নৎত্রগা ঐখোয় মশেল ঙাক্তগী মনুংদা ফুনগৎনবগী থবক্লা হেন্না লূম্ফম থোকপ্রা? মায়কৈ অমমমদা লাঞ্জিং পুরেল ওইনরিবা থৌনা ফবা মীতৈ ইচিল ইনাওশিং পূন্নমক অমুক্তং খন্থমিন্নসি। ইমা লৈবাক কনবনা পূন্নমক্তগী মরূনি নৎত্রবদি মরৈবাক-মরমদম লৈজদবা কুকিশিংগী ফীভম ঐখোয়না অমুক শিলহৌরোইদ্রা অদুগা কুকিশিংনা ইরৈবাক-ইরমদম লৈজবা মীতৈ ঐখোয়গী মহুৎ অমুক শিনখিরোইদ্রা? হন্দক্কী কুকিশিংগী লানসি কংলৈচা ঐখোয়গী ইফমদদি চহী লিশীং অহুমগী মতুংদা লাকপা অনৌবা পুৱারীগী অনৌবা তাঙ্কক, অনৌবা লমায় অমা হায়বদু ওইহৌরদৌবনি।

ঐখোয় মশেল লীংজেল মান্নসি, ইপা-ইপু হাক্তক্তগী হৌনা মীতৈ নোংশা হায়নরম্বগী ৱাহন্থোক ঙসিসু হন্থহল্লোইসি। ঐখোয় মশেল অমগা অমগা নুংশিনবনা অমদি ইকায়খুম্নবা উৎনবনা মতম পূন্নমক্তা ইরমদমসিগী অমদি ইরমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় পূন্নমক্কী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি। থাজবনা লান্নে হায়নরিবনি, ঐখোয় মশেল অমনা অমবু থাজনবা থম্নসি। থৱায়দগী হেন্না মমল য়াম্বা পোৎ করম্বা লৈরিবগে? ইরৈবাক-ইরমদমসিগীদমক থৱায় য়োন্থোক্তুনা লান চঙনরিবসিদগী হেন্না মমল য়াম্বা থৌদৌ অমমুক ঙসিগী মালেমসিদা লৈরিবরা? ইরৈবাক-ইরমদমগীদমক লানদা থৱায় কৎখ্রবশিং, মখোয়গী মমলগা চাংদম্নবা য়াবা পোৎশক ঙসিগী মালেমসিদা থিবা ফংখিগদ্রা? 'ইরৈবাক-ইরমদম্না য়াইফরে, মীতৈ ফূরুপ্না য়াইফরে, মীতৈশিংগী লানঙম ফিরাল চিংখৎলসি''। ●

ৱাগী শিন্নাইশঙদা মৈতৈগী য়াঙ্কোক
খূৎনাইবা নামৈরাকপম শ্যামকেশো উনরুবা-৯

শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল

ডা. লাইশ্রম ইমোবা

মালেমগী ওইনা হৌজিকসি ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা পোৎলমশিং শাদুনা পুথোকপা অমদি মদুবু নিতিগী পূন্সিদা শীজিন্নবা হায়বসিদা চাওখৎখ্রবা লৈবাকশিংনা মিৎয়েং চংশিন্নরক্লি। অসিগুম্বা চাংয়েংগী খোঙজংশিংগী মনুংদা ৱা অসিবু পোৎলম কয়া শানবগী খ্বাইদগী ফবা রো মেটেরিএল ওইনা শীজিন্নরক্লি। ইন্দিয়াগী ওইনসু 'বেম্বু ফোরম ওফ ইন্দিয়া' না হীরম অসিগী মতাংদা লেপ্তুবা চাংয়েং কয়া চঙশিল্লকপগী পাউদম লৈরি। লন্নাই ইন্সটিট্যুটশিংদা নত্তনা কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা বেম্বু ক্রাফ্ট ৱার্কশোপনচিংবা কয়া মরী লৈনবা দিজাইনরশিংগী মখাদা লেপ্তুনা পাঙথোক্লরি। লৈনবা য়ূম, লোয়শঙ, রেষ্ট হাউসনচিংবা মখল মখা কয়াগী য়ূম-কৈ, ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া উ অমদি য়োৎকী মহুত্তা ৱানা মহুৎ শিন্দুনা শেম-শানরক্লি। নুংঙাইরিবা ৱাফম অমনা মীওই ফূরুপ কয়াগী ত্রেদিসনেল ওইনা ৱানা শেম-শাদুনা শীজিন্নরম্বা পোৎলম কয়া মওং-মতৌ ইহোং হোংহনবা তৌদনা নৎত্রগা শেমদোক-শাদোল্লগা মীওইবগী পূক্নিং চিংশিনগদবা দিজাইন হাপ্তুনা শেম শাদুনা লৈতেং ওইনা ফাওবা শাদুনা পুথোরকপা য়াওরক্লে।

মণিপুর অমদি মীতৈ খুন্নাইদা লৈশিল্লক্লবদা লম অসিদা ৱা মখল কয়া মরাং কায়না হৌবগী মতিক নিতিগী পূন্সিদা মথৌ তাবা পোৎলম কয়া অমা শেম শাদুনা শীজিন্নরম্মী অমদি শীজিন্নরি। লৈনবা য়ূম-কৈ শাবদা, ঙাথি-শীংথিবদা শীজিন্নবা পোৎলম কয়া, লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নবা পোৎলম কয়া অমা ৱাদগী শাদুনা শীজিন্নরক্লি। মতম অমদদি মসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি প্রোফেসনেল ওইনা শেম শাবমক নৎত্রবসু লন্নাই শীজিন্ননবা শাবা হৈবা খুল-খুদিং, লৈকায় খুদিং লৈনরম্মী। হৌজিকসু লোইজিং-লোয়াশিংদদি অদুম্মক থেংনরি। মতা চাদ্রিবসিনা অসিগুম্বা মীতৈ ফূরুপ্তুনা শীজিন্নদুনা লাক্লবা পোৎলম কয়া অমা শীজিন্নরকখিদবা, অতোপ্পা পোৎলম্না মহুৎ শিনখিবদগী শাবা হৈবা মী লৈশিল্লক্তবা, নৌহৌনা শাগে হোৎনরক্তবা পোৎলম, ত্রেদিসনেল আইটেম কয়া অমা লৈরি। অদুগুম্বা পোৎলমশিংগী মনুংদা 'ফৌরা' হায়বসিসু অমনি। পোৎশক অসি মতম অমদা য়ূমথোঙ খুদিংগী তঙাইফদনা থম্নরম্বা পোৎশক অমা ওইরম্লগসু ঙসিদি পংউ উবা ফংলক্ত্রবা পোৎশকশিংগী মনুংদা 'ফৌরা' অসিসু অমা ওইরক্লে।

ফৌরা, হায়রিবা পোৎশক অসি মরু ওইনা ফৌ ফৌবদা শীজিন্নবা য়াঙ্কোক্কী মওংগা মান্নবা খরা হেন্না পাক চাউবা পোৎশক অমনি। মসিসু ৱাদগী শিবা পয়াদি ওইরগা খরা হেন্না পাক্লপ তৌনা শিবা পয়ানা য়াঙ্কোক শাবদা লোল্লিবা পরম (লোনবগী কাঙলোন) অদুগা মান্ননা লোন্দুনা শাবা, মপান ৱাংলপ্না খুদোল মরি-মঙারোম ৱাংনা শাবা পোৎশক অমনি। হায়রিবা পোৎশক অসি করম্বা মতমদগী কনানা কমদৌনা শাদুনা শীজিন্নবা হৌরকখিবগে হায়বগী তাংদাংবা ৱারী-ৱাখোঙ হৌজিক ফাওবগী ওইনদি থেংনদ্রি। অদুম্নদি ওইরগা হায়রিবা পোৎশক অসি মণিপুরী মীতৈশিংগী অঙনবা মতমগী থাজ ৱারী (মিঠ) শিংদদি অদুম্মক পল্লম্বা থেংনৈ। খুদম ওইনা মথায় থায়না ফৌরাদা ফৌ ফৌদুনা শুমাংদা লৈরিঙৈদা পাখংবনা লাইরেনগী শক্তম লৌদুনা লাক্লগা ফৌরা মথক্তগী ফৌ চাবা উবদা খুয়োই তোম্পোক্লা (লমদম অসিদা পানখিবা নিংথৌ অমা) লীন অদুবু হাৎখি। মদু মমানা উরবদা মদু অচম্বা লাইরেল (লীন) নত্তে হায়দুনা নিংথিনা লোইশিনখিবা অমদি হায়রিবা লীন অদুগী মশাদা থোক্লিবা ময়েক অদুদগী মীতৈনা শাবা ফিশিংদা থোকপা ময়েক মখলশিং পুথোক্তুনা শাখি হায়বনচিংবগী ৱারীশিং লৈরি। অসুম্না পোৎশক অসি নীংশিংবা থোক্ত্রবা অঙনবা মতমদগী মীতৈশিংনা শীজিন্নরক্লে হায়বগী ৱারীদি অদুম্মক থেংনরি।

অমরোমদা ফৌরা হায়রিবা পোৎশক অসি ফৌ ফৌবখক নত্তনা চকপশিংগী অরিবা খুল খরদা লৈমা তীল হায়না খঙনবা কৱ্রংচাক মনা চাবা তীল অসি য়োকপা মতমদা ফৌরা মথক্তা থমদুনা য়োক্লরম্মী হায়বগী ৱারীসু থেংনৈ। কৱ্রংচাক মনা চাবা লৈমতীল হায়রিবা তীল মখল অসিসু নিংথৌগী লৈমনা মচা ওইনা পোকখিবা তীল অমনি। মদুবু নিংথৌগী মনাই অমনা য়োকচরগে হায়না য়াম্না চেকশিন্না য়োকখিবগী ৱারীসু লৈরি। মদুগীদমক তীল অদুবু 'লৈমা তীল' হায়না খঙনখিবা অমদি হায়রিবা তীল মখল অসিবু য়োকপা-থাকপগী থবক অসি য়াম্না চেকশিন্না, অশেং-অমাংগী কাঙলোন ঙাক্লা য়োক্লকখি অমদি হৌজিক ফাওবদা য়োকপগী চৎনবী ঙাক্লি। হায়রিবা তীল অসিনা কৱ্রংচাক হায়রিবা পাম্বী অসিগী মনাবু য়াম্না পামজনা চাই। তীল অসিনা মপূং মরৈ ফারক্লবা মতুংদা মহুম হাইরকই। হায়রিবা মহুম অদুদগী লং নাইদুনা ফি শাখি। মদুগী লং মখল অদুবু 'কৱ্রং মুগা' হায়না অতাঙবা অমদি মদুনা শাবা ফিবু অশেংবা মখলগী ফি ওইনা মীতৈ খুন্নাইনা লৌনরি। অসুম্না ফৌরাগী মরু ওইবা চন্নফম ঙল্লিঙৈ মতমদগী খুন্নাই অসিদা লৈরক্লি।

শিংথাবা য়াবা ৱাফম অমনা মীতৈশিংগী প্রমান-পাম্থে ওইনা শীজিন্নবা ৱাহৈ পরেংসু থেংনৈ। পনবা য়াই 'ফৌরা য়েনঙাক্নবা' হায়বা হায়ন-ৱাহৈ লৈরি। ৱাহৈশিং অসিনা খঙনরিবা ৱাহন্থোক্লা মপা-মমা ওইবশিংনা মচা নিঙোলশিংবু ময়ূম পানবা য়াবা চহী মতাং য়ৌরবা ফাওবা থাজ-য়োনজবা তৌদনা থম্বসিবু 'ফৌরা য়েনঙাক্নদুনা থম্বা' হায়না নাকোয়ননা খঙনবনি হায়না মীতৈগী অহলশিংনা তাকপীবা লৈরি। মসিমক্তি অফ-নুংঙাই খঙনবা ৱাফম অমদি নত্তে।

মরোমদা, পোৎশক অসিদা করিগুম্বা মফম অমদা থম্বা পোৎলমশিং ঙাক্তুনা থম্বা, মীৎয়েং ঙাক্নবা ওইনসু শীজিন্নরম্মী। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে ফৌরা হায়রিবা পোৎশক অসি ঙসিগী মীরোল অসিদদি মীতৈ খুন্নাই অসিনা শীজিন্নবা পংউ উদ্রে। অয়াম্বা ইমুংদা পোৎশক অসি থম্নবা উরক্তরে। অসুম্না মীতৈগী খূৎনাইবশিংগী মরক্তসু হায়রিবা পোৎশক অসি ইশা শান্নরক্তরে। মসিগী মহুত্তা ফৌনচিংবা মহৈ-মরোং ফৌবা মতমদসু অতৈ অতোপ্পা পোৎলমশিংনা মহুৎ শিন্নখ্রে। অমরোমদা পোৎশক অসি অতৈ হীরমদসু কয়া শীজিন্নরক্তবা অসিনা তপ্না তপ্না মাঙশিল্লকপা ওইগনি হায়না লৌবা য়াই। ●

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
(নিংথৌরোল লম্বুবা) -(১০৯)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

শকতম মালনবা শারবদা। য়োইবু লৈবাক লৈমাবিনা। মথংলেলগী মশক মালদবনা। নুংশিবা অপেনবা শকতম ওইদবনা কপনীংখিদে। য়েংবদা নুংশিবা ফংখিদে। কোরৌ নোংমগী নুমিৎমাদা। মদাইরেম মনাই অথোইবা কাইবী লায়ানখোং। থীঙকোন নাশি সনায়ানবা। অদোল খুমল খোইরিশুমবা। শিনাই শিনশু নানিলোংবা খুৎহৈবা তাইতনসুনা। চীঙদা কানা। নাওয়ী খোইবু খোইথীরুবদি। খোইপাল খোইরা অমতা ফংলকতে। কোরৌ নুমিৎমাদি। চকথা মালথাচা লালচুমী নামুং। লেরা মীরাংচালনা। লমবাল লমদা খোই থিরুবদি। খোইবা খোইফংনা খোইলোকয়ে। য়োইবু মীতৈ লৈমা। হাওলৈমা তমহৈবীনা। ইদাইরেম কাইবী লয়ানখোং। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) - (꯱꯰꯹)

[illegible]

[illegible]

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।